# ২২শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেল - ২০২২ (৩)

ফেষ্টিবেল অসিগী ১৪শুবা দ্রামানি - পোৎশংবম তোম্বা লিগেসি থিএটর' গী 'কংশ'। ময়েংবম সুনিল'না ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবা। সুনিল'গী লীলা অমা হান্না উখিবদু নীংশিংলুরগা, কৃষ্ণগী মাম্মা, হিংচা য়াইতম্ব'ই থম্মোয় চেনবা তমথীরবা 'কংশ' দু তোপ-তোপ্পা মওং অমদা লাম্থোরক্কদ্রা খল্লুবনি। ৱাখল অদু তায়ওন্নখি। ঐখোয় পূন্নমক্কা হান্না ইখঙ-খঙনরবা 'কংশ' গী ৱারীদু, শ্রীকৃষ্ণবাল-লীলা শান্নবগুম শান্নবনি। নহা ওইরিঙৈ, নুপী মানবা, নুংশি-চাউবা নুপা অমা ওইরম্বদগী তমথীবা, নুংশি-খঙদবা নিংথৌ অমা করম্না ওইরকখিবা... কৃষ্ণ করম' পোকখিবা, কংশ করম' হাৎখিবা হায়বদু ইচম চম্না লীবনি। নৌরিবা, অঙাং ওইরিবা এক্টরশিংবু ত্রেনিং নীংথিনা পীরগা পুথোকপা-সুনিলগী হোৎনজমল মহয় য়াল্লি।

হেনসনা কলচরেল সেন্টর, কোন্থৌজম অমসুং নোংমাইথেম ইন্দুরেখা- মতম অসুক কুইনা, ঐনা থিএটরগী তাইবঙদা খোঙদারক্তুনা চৎলকখিবা খোঙচৎ অসিদা অমুক্তসু থেংনরকখিদ্রিবা লূপ অমদি থিএটর দাইরেক্টরগী মিং অমমমনি। সরাংথেম প্রভাৎচন্দ্রনা ইবা দ্রামা অম'নীদি য়েংখরে। নুংঙাইনা লৈরম্বা ইমুং অমদা লাইবক থীবদগী য়ূম্বুরেন্বীদু তাইবঙপান থাদোকখিবদগী তঙাইফদনা মচা অনীদুগী খল্লগা নুপাদু নুপী অতোনবী অমা থিখি। অতোনবীদুনা ৱারক চেৎপী মমা অমগী থৌদাং লৌদুনা, পোক্তবী মচা নুপাদুবু এম পি এস ওফিসর অমা ওইহল্লগা মচানুপীদুবুনা মেদিকেল ডাক্টর অমা ওইহল্লক্তুনা 'ইমাতোন' কৌরম্বদগী 'ইমা' কৌদুনা দ্রামাদু লোইশিনখিবা প্রদক্সননি - ইমা!

২১শুবা ইদিসন' গী 'খ্বাইদগী ফবা-প্রদক্সন' গী মনা ফংখিবা 'লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন' গী লীলা 'তঙায়ফদনা লৌখিবনি' - জন্যুৱারী ৯দা উৎখি। মনি য়ূম্নাম'গী স্কৃপ্ট, সনাবম রতনকুমারগী দিরেক্সন। মমা-মপানা অমত্তা পোকই হায়দুনা কেথোক্লা য়োক্লকপদগী পুন্সিদা চন্নফম খঙদ্রবা সনামতুমদা ময়ূম পাল্লি হায়দুনা 'মংলেন্বী'বু মমা-মপানা ইন্থোকখি। য়ুথকপা ওইরবা 'সনামতুম' অরুবা অনাবা অমনা নারকখি, মপান'-লমগী হোস্পিটাল'দা লায়েংবা তারকখি। ফনেক লোন্দুনা ইমুং পুরিবী মংলেন্বী, মপুরোইবগী ওপরেসন অমগীদমক য়াল্লবা শেনফম অমা খোমগৎনবা, চৎনবীবু শীংনদুনা, লৈকায়দুবু মীনমদুনা লীলা অমা শান্নখি। মপুরোইববু শিরে হায়জিন্দুনা পোৎয়েং/পোৎপাং খোমগৎখি, শীংলূপ-মরুপ পূন্নমক্তগী খোমগৎপা য়াবা শেনফম পূন্নমকসু খোমগৎখি। নাবা ফদুনা হল্লক্লবা তুং, লৈকায় ৱাথোক ওইরকখি। হিংমিন্নবগী ৱাখল লৈতবা, মীগী মতেং পাংনীংদবা খুন্নাইসিদা হিংবা ঙম্নবইদমক তঙায়ফদনা লৌখিবা, চৎনবীসিবু শীংনবগী ৱারেপনি।

ফেষ্টিবেলসিগী অরোইবা লীলা 'লামপি' - বুদ্ধ চিংথাম'না ইবনি, নিঙোমথোং কিতনা পন্নুংদা লৈবা 'মোনালিসা আর্ট এন্দ কলচর এসোসিএসন'না পুথোকপা, নোংমৈকাপ্পম মোনালিসা'না দিরেক্সন পীবা 'লোবসাং খুল্লেন' কৌবা চীংগী খুল অমদা খুন্দাবা অপীকপা কাঙলূপ অমগী লীরবা থাজনবী অমদা য়ূস্ফম ওইদুনা শাগৎপা লীলা অমনি। 'লামপি' - অশিবগী লাইগী মমোমনি থাজনৈ, নমু তাইবঙ অমত্তগা য়ূম্বান-মরী লৈনবা য়াদে, অমং য়াইথোঙ কূমগনি। লোবসাং খুন্দা অরিবা নাৎ (মার্সিএল আর্ট) থিজিনবা লাকখিবা 'শিন্তাক পুরেল' গা থেংনখি, খুনগী সনথোঙদা। খুল্লেন'দা চঙবা থিংখি। ৱারী লিকখুন তাকথোকখি, থম্মোয় অনী নকশিন্নখি। অচৌবা ফুরুপ অমনা ফুরুপ মচা অমা য়োৎশিন্নবা হোৎনবদই থোকখিবা ৱাথোক অমদগী শমথরকপা ৱারী ওইনা হৈ-শিংনা পুশিল্লকই। চৎনবীনা পুনখিদুনা নুংশি ৱায়থুংনখিদ্রবী 'লামপি' মশাগী থৱায় কখোকচদুনা ৱাখৈনবা ৱাথোক্তুগী ৱারীনি।

ফেষ্টিবেলগী হৌগৎলকপদা, তরক-তরক মীওই মঙা তরাখক্তনা য়েংদুনা কুম্মৈসিবু ফাগি তাহনখিবদু ফেষ্টিবেলগী তঞ্জায় চল্লকপা অদুৱাইদগীদি কদায় কদায়দগীনো (লীলা-লূপশিংগী মীহুৎ খরা লাক্লরবরা) মীওই নিফু-য়াংখৈদি নুতিগী লাকপা থেংনখি। অরোইবগী লীলা অমা'নী য়েংমিন্নখিবা মরুপ অমনা হায়রমখি ... 'দ্রামা য়েংবীনবা ভাবোক লৈরমদ্রবনি, অনৌবা ভাবোক খরদি থোরকপা থেংনরে... অফবা সাইন অমনি'...। ফেষ্টিবেলসি হৌবদগী লোইবফাও' লেপ্তুনা য়েংলম্লবদি ৱাহৈশিংদু হায়রক্লল্লোই। মহাক্কী পোজিটিভ ওইবা রিমার্ক অদু নেগেটিব ওনখিদনবা, ঐহাক রিএক্ট তৌখিদে।

অসুম্না নুমিৎ ১৮নি চূপ্না চথখিবা দ্রামা ১৭না অথোই অহেন তান্নখিবা ফেষ্টিবেল'দু জন্যুৱারী ১০দা লোইশিনখি। ১১দা কম্পিটিসনগী রিজল্ট হায়দোকখি। 'য়ূমজাও লাইরেন্বী দ্রামাটিক এন' কলচরেল য়ুনিয়ন' গী 'হিংমিন্নবই মহুৎ শিমিন্নব'না খ্বাইদই ফবা প্লে অমসুং 'লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন' গী 'তঙাইফদনা লৌখিবনি' না অনীশুবা খ্বাইদই ফবা প্লে'নি লাউথোকখি। বেষ্ট দাইরেক্টরগী মনা - মীওই অনীনা ফংমিন্নরগনি ... 'লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন' গী সনাবম রতনকুমার অমসুং 'পিপলস আর্ট এন দ্রামাটিক এসোসিএসন' গী লাইশ্রম রন্ধোনি। খ্বাইদই ফবা স্কৃপ্ট'না নীলধ্বজ খুমনগী 'লৈমকোল'। খ্বাইদই ফবা এক্টরসু মীওই অনীনা ওইমিন্নৈ - এল দি য়ু'গী য়ূম্নাম পোলোই অমসুং য়ূমজাও লাইরেন্বীগী টি ঐচ নবচন্দ্র। অনীশুবা মনানা পাদাগী সরাংথেম হেনরি। খ্বাইদই ফবা এক্ট্রেস - এল দি য়ু'গী এম লিন্দা। অনীশুবা খ্বাইদই ফবা এক্ট্রেস'না 'কংলা' উচিৱাগী মৈকাম বেবি গ্রেস। পাউচে অয়াম্বদা ফোঙনখ্রবনি, অতোপ্পা মনাশিংদু পঞ্জররোই।

অথোই অহেন তান্নবা হায়বসিমক্তবু শান্ন-খোৎনবা অমদি পাঙ্গল চাংয়েংব'নচিংবা, অউবশিংগী মীৎনা তাপ হেক খঙবা/লেপ্পা ঙম্বা মথেল অদুদদি লেপ্পা লায়। মহৈরোয়শিংগী চাংয়েংদা মখোয়গী অন্সর-স্ক্রিপ্ট য়েংলগা অথোই অহেন লেপ্পদুসু থোইনা লুদে। অদুবু, মীওইবগী 'কলা' হায়বা পূক্লিং, থম্মোয় অমসুং ইমোসন'বু কাইহৌনবা হোৎনবগী থবক অসিদদি অথোই-অহেন লেপ্পসি অরুবা থবক অমনি। মীওইবগী পূক্লিং-ইহুল, অমগা অমগা কৈদৌনুংদা মান্নরোই। কলাগী ফজবা নৎত্রগা ফজদবা মশক 'নম্বর' না লেপ্পা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না খুদোংথীনীংঙাই মশকনি। কলাগী 'ফজবা' অয়েংবা/অউবশিংগী থম্মোয়না লেপকদবনি। খুদম ওইনা, জ্যুরি অনীনা পর্ফোর্মেন্স অমগী এসেসমেন্ট চাদা হুস্ফুতরানিপাল/মাপলগী চাংদা পীরগা অহুমশুবা জ্যুরি-মেম্বর অদুনা শুপ্নগী য়াংখৈতমক পীরম্বা... নৎত্রগা, অনীনা হুস্ফুনিথোই-হুমদোই পীরগা অমনা মরিফুতরামঙা পীরম্বা... থোকখিদবা নত্তে মাঙলমচৎ'তা। অদুনা, কলা তৌবীরিবা কলাকারশিংনা 'নম্বরস কেন্নোৎ মিজর দ ভেল্যু ওফ আর্ট' (কলাগী মশক/মমল নম্বরনা লেপ্পা ঙমদে) হায়বসি মতম চূপ্পদা নীংশিংবীগদবনি। মরম অসিনা, দ্রামাগী অথোই অহেন চাংদম্নবা, কম্পিটিটিভ ফেষ্টিবেল অমদা য়াওবীরুরবা লূপশিংদা থম্মোয় শেংনা ৱাফম অমত্তং হায়জনীংই... 'অদোমগী দ্রামা পর্ফোর্মেন্স অদুনা মনা অমত্তা ফংলক্তবা থোক্লবা করিগুম্বা, পূক্লিংদুদা নুংনাংবা/হনজানবা/নীংবা কায়বা করিমত্তা ফাওবীগনু... কম্পিটিসনগী রিজল্ট'না মণিপুরী থিএটরগী মশক অমদি মমল লেপ্পা নত্তে কাউবীগনু'...। থিএত্রিকল প্রদক্সন অমা পানখৎলিবা অমসুং পুথোক্লিবা, অতোপ্পা কলাকার অমগী খূৎশেম (প্রদক্সন) অদুদগী হেন্না ফবা/ফজবা খূৎশেম অমা ওইহল্লগে খন্না পুথোক্লবা নত্তে। ক্রিএটর অমা ওইনা, রাইটর/দাইরেক্টর/এক্টরশিংনা মশা মশাগী ক্রিএটিভিটি ফুদোক্লবা হোৎনরকপদুনি 'থিএটর'।

অদুবু, অথোই অহেন তান্নবা, কম্পিটিসন হায়বা চৎনবী অমা হৌদোক্লুরবনিনা অমনা অমদগী খরা হেন্না চেকশিন্না পুথোকপগে, করম্বা এরিয়াদা চেকশিনবা ৱাৎপগে হায়বনচিংবদুদা য়ূস্ফম ওইরগা পর্ফোর্মেন্স অদু 'এসেস' তৌবা তারকই। কম্মর্সল ওইবা এক্টিভিটি (শেন্দাল লম্বী) অমা ওইনবা, 'শুমাং-লীলা'গুম্বগী অথোই অহেন তান্নবদদি ফর্ষ্ট/সেকেন্দ তারবা লীলানি হায়বদুনা কম্মর্সল-ভেল্যু অমা হেনগৎপনিনা ৱাচৎ-ৱানোম তৌনরম্বগী ৱাফম, মতম অমদদি তোয়না তানরম্মী। 'নুংশিৎ শিত্তনা উনা লেঙদে' হায়নবগুম - ওইরম্বা য়াই ৱাফমদু 'অচুম্বা খরা, অরানবা খরা' য়ানশিন্নবা পাউ। হিংনবগী শিনফম অমা ওইবা নত্তবা, মশা মশাগী পূক্লিংগী অপাম্বা/অপেনবদু ফংনবা মরল পুথোক্তুনা মতম কাইথোক্তুনা হোৎননরিবা থিএটরগী শিনফমনি। কম্পিটিসনগী 'প্রাইজ-মনি' অদুগীদমক নত্তে। ঐহাক্না খ্বাইদগী ফবা দিরেক্টর/রাইটর/এক্টর/এক্ট্রেস ওইরে হায়বগী 'পূক্লিংগী অপেনবা' অদুগীদমকনি।

অথোই অহেন লেপ্পবগী থৌদাং লৌরিবা জ্যুরি মেম্বর অহুমগী অপূনবা মার্ক'তা য়ূস্ফম ওইদুনা ২২শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিবেলগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে। খরগীনা নুংঙাইবা, খরগীনা পেন্দবা! হৌনশানি। মদুমক্লি থোক্লিবা। অশিন-অরাঙ কাঙবুনা থাজনা নেক্লুবা জ্যুরিশিংগী ওপিনিয়ন - ইকায়খুম্নবা তাবনি, পার্টিসিপেন্টশিংগী অপেন-পেন্দগী ৱাফমদুনা অমনি।

মণিপুরদা পাঙথোক্লরিবা অতৈ দ্রামা কম্পিটিসনশিংগী ফল লাউথোকপগী মওংগা, রুপমহলগীগা মান্নদে। অতৈ ওর্গনাইজরশিংগীদি করম্বা জ্যুরি'না করম্বা গ্রুপকী প্রাইজ-ৱিন্নিং কেটেগোরিশিংদা (গ্রুপ নৎত্রগা ইন্দিভিজুএল) নম্বর কয়াম পীরম্বগে হায়বদু কনফিদেন্সিএল ওইনা থম্লগা, এন্ট-রিজল্ট অদুতমক লাউথোক্লে। অদুবু, রুপমহলগীদি, মনুং-মপান ফাওনা (ত্রান্সপরেন্ট ওইনা) শীনবগী মমি তাহন্নবা - পূন্নমক্তু ওপন ওইহল্লি। থৌশিল খুদিংমক্কী অফ-ফত্ত' লৈবগুম, থৌওংসিগী দি-মেরিট অমা হন্দক্কীসিদা ফন চোংথোরক্লে। কম্পিটিটর গ্রুপ অমগী (বাসিখোং দ্রামাটিক এসোসিএসনগী) দা জু্যরি-মেম্বর অমনা দিরেক্সন-কেটেগোরিদা নম্বর শুকপী পীরমদ্রে, জিরো মার্কিং ওইরমদ্রে। নম্বর পীরমদবগী এক্সপ্লেনেসন (মরম) অমসু পীরমদবনা, শোয়বদগী কান্থোকখিবা ওইরমনি হায়বসিবুদি নাখৈ শেংই। ওর্গনাইজরশিংনা অশোয়বদু কূপখৎনবা থৌরাং অমসু পায়খৎহৌদবনা হৌজিক্তি 'ৱাথোক' হায়বদু ওইরনি, শেংদোক ৱারোল অমা পীফম থোক্লে। 'শোয়খ্রে' হায়বদুখক্তনা অচুম্বা/অপেনবা পাউখুম ওইরোই। তুংদা অমুক থোক্তনবা থৌরাং অমদি পায়খৎফম থোকই।

—*ইন্দ্রকুমার*

# লুখ্রাবী মচা যাত্রা

থায়না মমাঙঙৈদা লায়রবী লুখ্রাবী অমা লৈরম্মী। মাগী যাত্রা কৌবা মচানুপা অমা লৈরম্মী। মচানুপা অদুনা পাখং ফারক্লবদা নোংমা মমাদা ইপাগা পোকমিন্নবা ইখুরাগা হিদিঙ্গা লল্লোনবা চৎকে হায়রক্লবদা মমানা চৎকনু, য়াম্না ৱাবা থবকনি হায়না থিংবদু মচানা য়াখিদে। মচানা চৎকে কন্না হায়জিল্লক্লবদা মমাদু খাঙবা ঙমদদুনা মখুরাগী মনাক্তা চত্তুনা হিদিঙ্গা লল্লোনবা চৎপা খরা য়াওহনবীয়ু হায়রুরে। অহানবদদি মখুরানা হি হোনবসু হৈরোই, তূস্ফম চাফম খঙদবা অৱাবা থবকনি হায়না য়ারমদে। মমৈথংদা হন্দক্তদি য়াওহনবীয়ু ৱারগা মতুংদা মরাইনা তোকচগনি হায়জবদগী মখুরা অদু য়ানীংদা য়ানীংদনা য়ারে। নোংঙাল্লগা চাকঙল চারগা যাত্রানা মখুরাগা লোয়ননা হিদিঙ্গা লল্লোনবা চৎলি। নুমিৎ নীনি হুমনি লেপ্তুনা তুরেলদা হি হোন্দুনা অসুম লাকপদা নুমিৎ তারমদাইদা অতোপ্পা লম অমা থেংনরম্মী। লম অদু হিংচাবীনা চাথোকখিবদগী মী কনা অমত্তা লৈরমদে। মখুরানা হিদু লৈরাইদা পুনশিন্দুনা থনল্লগা মচানুপা যাত্রাদা হি শঙলম্মু, ঐ চান-থক্লবা এঞ্জাং নাপী খরা থিরুগে হায়রল্লগা চৎখি। মখুরানা চৎখ্রবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা যাত্রানা নুপীমচা খরনা ৱা ঙাঙনবগী মখোল তারম্মী। লুখ্রাবী মচা যাত্রানা হিদগী কাখৎলগা কোয়য়েং য়েংবদা মশক মতৌ ফজরবী লৈশাবী অনীখক্লা ফক্তা ফমদুনা শান্নদুনা লৈবদু উরে। মফম চাদনা নারক অদুদা লৈশাবী অনীনা শান্নদুনা লৈবদু উবদা কনা কনানো হংগে খন্দুনা মখোয়গী মনাক তান্না চঙশিল্লি। যাত্রা লাকপা উবদা লৈশাবী অনী অদু মফম ইখঙ খঙহৌদনা মাঙথোকখ্রে। মখোয়না ফম্লম্বা সনাগী ফক অদুদি অদুম তাদুনা লৈহৌরে। যাত্রানা চঙশিল্লগা ফক অদু পায়খৎলগা কোয়য়েং য়েংলিঙৈদা মখুরাসু হল্লক্তুনা থেংনরে। হৌখিবা থৌদোক পূন্নমক তম্বদা মখুরাদু ঙক্লে। মখুরানা "ফরে ইবুংঙো মাঙখ্রবী লৈশাবী অনীদু হেলোই ওইরম্বা তারে। নমা নচাগী অৱাবদু উবদা মখোয় অনীনা সনাগী ফক অসি থম্বীরম্বনি, হৌজিক্তি সনাগী ফক অসি পুদুনা য়ূমদা হল্লসি"। মখুরাগী ৱাদু তাবদা লুখ্রাবী মচা যাত্রানা 'খুরা ঐদি মখোয় অনী অদু মীরা লাইরা অশেংবা অমা খঙদ্রিবমখৈ য়ূমদা হল্লরোই। খুরানা ফক অসি পুরগা ইমাদা খরা পীবিয়ু"। মখুরানা ফৎত্তে, লৈহৌগনু হায়না খাম্বদা য়াদ্রবদা "ফরে ইবুংঙো নহাক লৈহৌরো ঙসিদগী তরেৎনিশুবা নুমিৎতা ঐ মফম অসিদা অমুক লাক্কে। নহাক লৈশাবী অনী অদুগী অশেংবা মরম খঙলগা মফম অসিদা লেঙদনা লৈরম্মু'। অসুম্না ঙাঙনরগা মখুরাদি সনাগী ফক পুদুনা ময়ূমদা হনখি।

যাত্রানা থেংনরিবা লৈশাবী অনী অদু হয়িং ওনবা ঙম্মী। অমনা শোরারেলগী মচানুপী মেনুলৈমনি, অতোপ্পা অমদুনা পটাল নিংথৌগী মচানুপী লৈনুলৈমনি। লৈশাবী অনী অদুনা ফমদুনা শান্নরম্বা মফম অদুৱাইদা যাত্রানা কোয়না লৈদুনা য়েংবদা নূংপাক অমা থেংনৈ। নূংপাক অদু কাখৎতুনা য়েংবদা শুরুং অমা থেংনরে। শুরুং অসিদা চঙদুনা থিরুরগে খল্লদুনা যাত্রানা শুরুং মনুংদা মা মাদুনা কুমথরক্লে। অসুম অসুম কুমথরকপনা মমৈথংদা অঙানবা মফম অমা য়ৌরে মদু পটাল লৈবাকনি। লৈখাদা মথৱায় পানবা অমত্তা থেংনদে। মহাক্লা অসুম লাকপদা মকোয় মান্ননা ফজরবা চাউরবা পুখ্রি অমা থেংনৈ। পুখ্রি অদুগী ময়ায়দা ঙানু থঙ্গোং অনীখক চাক্তাদুনা লৈরম্মী। পুখ্রি অদুগী মপান্দা লৈনুলৈমনা ইরুজবা লোইরদুনা মশম হাৎতুনা লৈরম্মী। লুখ্রাবী মচা যাত্রানা লৈনুলৈমা উবদা মাঙখিবা লৈশাবী অনীদুগী মনুংদা অমনি খঙলদুনা লোন্না নাপী মরক্তা পাকথদুনা চৎখ্রগা মশম হাৎলিবা লৈনুলৈমগী মখূৎজেং পায়রুরে। খঙহৌদনা মখূৎজেং পায়রবদা লৈনুলৈমনসু হন্না য়েংথোরকপদা মাগা থেংনখিবা নুপা অদুনি খঙলে। যাত্রানা "ইবেম্মা নহাক নমু তাইবঙ মীরা, খোয়ুম লাইরা" হংলক্লবদা লৈনুলৈমনা "ঐদি পটাল লৈবাক অসিগী নিংথৌগী মচানুপীনি ইমিংনা লৈনুলৈমা কৌই খুল্লকই। ইবুংঙো নহাকপু ঙসাই ইতা মেনুলৈমগা ঐখোয় অনীনা খুলোকপী শান্নরিঙৈদা লাকপা নুপা অদুরা হংলকপদা যাত্রানা "মানি" নখোয় অনীবু থিরক্লিবনি খুমই। মফম অসিদা কুইনা লৈবা য়াদে। য়েংউ, লৈবাক অসিদা ঐ নত্তনা মথৱায় পানবা অমত্তা লৈত্রবনি, হিংচাবী অমনা ঐবু পোকপা ইপা ইমাদা নত্তনা লৈবাক অসিদা লৈরম্বা মীয়াম পূন্নমক চাথোকখ্রবনি। মহাক হৌজিক মচিঙ্গাক থিবা চৎখ্রি। হিংচাবী অদুনা করিগুম্বা লাক্লবদি ইবুংঙোসু থৱায় মাঙবা তারে"। যাত্রানা, "ইবেম্মা! ঐদি নহাকপু পুদনা হনবা ঙম্লোই। শিরবসু চঙলবসু অদু মঙাইরে ঐগী লাইবক্তা তম্বনি"। অসুম্না ৱারী শারিঙৈদা হিংচাবী পাইরকপা মখোল তাবদা যাত্রানা খুদক্তা মপানা তাকপীরম্বা লাইৱাদু মখূবাক্তা শোল্লগা মশা পূম্বা নাম্থবদা খুদক্তা সনাগী হয়িং ওল্লে। লৈনুলৈমনা সনাগী হয়িং অদু লৈবাক্তগী লৌখৎলগা মাগী মশাদা তোংহল্লে। অদুদগী লৈনুলৈমা অদু ময়ূম তান্না চেল্লক্লে। হিংচাবী অদুনা চাউরবা শামু লমশা অমা ফাদুনা পুরকই। শামু অদু থল্লগা হিংচাবীদুনা "মীশা চানীংই মীনু নম্মীদা" হায়রক্লবদা লৈনুলৈমনা ইবেল! তাইবঙ মীদি ইতোমতনি ইবেন্না চাগে খল্লগা নশু ঐবু চাবীরো। ইশুবুদি করিগী চারুগদগে হায়রল্লগা হিংচাবীনা মানা ফারকপা শামু অদু চাথোক্লে।

নোংঙাল্লগা হিংচাবী অদু মচিঙ্গাক থিবা অমুক চৎখ্রে। মানা চৎখিবগা সনাগী হয়িং ওল্লিবা যাত্রা অদু অমুক মী ওল্লক্লে। লৈনুলৈমগা মখোয় অনীনা হিংচাবী অদু হাৎলসি ঙাঙনরে। অদুদগী যাত্রানা ফক্লাংদা য়ান্দুনা লৈরিবা লিরুং অদু তাপ পায়বদা অসোমদা লাইরেন অচৌবা অমা ফাগদবগী লাক্লরিবা হিংচাবী অদু মতু চুংই, মপাঙ্গল খংশোন হেক শোন্থে। হিংচাবীনা মপূক্লিংদা চিংনদুনা লাইরেন ফাবা তোক্তুনা ময়ূমদা পাইরক্লে। হিংচাবীনা অরাপ্পদগী খোংদুনা লাউদুনা পাইরকপা মখোল তাবদা যাত্রানা লিরুং অদু মতুপ অনী থোক্লা থুদেক্লে। লিরুং হেক তেকপদা হিংচাবী অদু মখ্বাং তেক্লে। মখ্বাং তেক্লবদা হিংচাবী অদু অশাউবগা লোয়ননা লৈনুলৈমা হাৎনবা থুনা য়াঙনা পাইরকপনা ময়ূম য়ৌগদবা খজিক্তা ঙাইরবদা যাত্রানা য়াল্লিবা তুম্বা অদু লৌথরগা লৈবাক্তা থাদদুনা থুগাইরে। পাইরম্বা হিংচাবীদু মকোক কায়দুনা লৈমায় থক্তা তারে। লৈবাক্তা হেক তাবগা শাংলবা মখূৎ অদু তিংথোরক্তুনা লৈনুলৈমা, যাত্রা মখোয় অনীবু ফানবা হোৎনরক্লে। যাত্রানা শেম্বাং মহু অদু লৌথরগা মনুংদা লৈরিবা শেম্বাং মঙা অদু মখূৎনা পেৎ পেৎ মেৎতুনা হাৎতোক্লবদা হিংচাবী অদুসু খংলাউ লাউরল্লগা ঈ ওদুনা শিরে। হিংচাবী শিরবদা মখোয় অনী য়াম্না নুংঙাইরে। লৈনুলৈমনা মাগী ঙানু থঙ্গোং অনী কৌরগা মতা মেনুলৈমা কৌরুচো থাখ্রে। ঙানু থঙ্গোং অনী অদুনা শোরারেল তান্না পাইদুনা মেনুলৈমা কৌবা চৎখ্রিঙৈদা যাত্রা অমদি লৈনুলৈমনা শুরুংদগী থোরক্লগা খুলোকপী শান্নফম য়ৌরগা লৈনুলৈমনা "ইবুংঙো ঐবু লৌবীগে খল্লবদি ঐগী ইতা মেনুলৈমবুসু লৌবীগদবনি। ঐখোয় অনী য়ূম পাল্লগনুসি ঙাঙনৈ। করিগুম্বা য়ূম পানবা তারবসু নুপা অমত্তদা পুন্না লৈমিন্নসি ৱাশক্লে। হোরেন ইতা মেনুলৈমনা লাকপা মতমদা ঐখোয় অনী শুরুং অসিগী মনুংদা লোৎতুনা লৈরুসি। ইতা মেনুলৈমনা ঐবু কৌরগা শুরুংদগী ঐগী খূৎ পায়দুনা চিংখৎপা মতমদা নহাক্লা মাগী মখূৎ অনী অদু ফাউ। লৈনুলৈমগী ৱাদু য়ানীংলদুনা মখোয় অনী শুরুং মনুংদা চঙদুনা লৈরে। ঙহাক লৈরগা মেনুলৈমা লাক্তুনা মফম অদুদা থুংলরে। মেনুলৈমনা কৌরক্লবদা লৈনুলৈমনা 'ইতা ঐবু খূৎ পায়দুনা শুরুংদগী খরা চিংখৎপীয়ু হায়রক্লবদা মেনুলৈমনা নুংজাউ অদু কাংখৎলগা লৈনুলৈমা চিংখৎকদবগী মখূৎ অনী লাম্মকই। মতম অদুদা যাত্রানা মেনুলৈমগী মখূৎ অনী অদু পায়রগা শুরুংগী মপান্দা চোংথোরকই। লৈনুলৈমসু মথক্তা কাখৎলক্লে। থৌদোক অদু উবদা মেনুলৈমদি ঙকপদা থেংখ্রে। মেনুলৈমনা শাউদুনা, "ইতা ঐদি নমু তাইবঙ মীনা শোক্লে, করম তৌগনি, লাইরমলেন্দা তিনবসু য়াররোই" হায়রক্লবদা "শাউরগনু ইতাগা ঐগা নুপা অমত্তদা লৈমিন্নসি ৱাশক্লখিবা নুপা অদু অসিদা লেপলিবা অসিনি। ঐখোয় অনী পূন্না নুপা অসিগা লৈমিন্নরুরসি" হায়রক্লে। লৈনুলৈমগী ৱাদু মেনুলৈমসু য়ারে। অসুম্না মখোয় অহুম্না য়ানদুনা হরাওনা লৈরিঙৈদা হায়নখিবা নুমিৎ তরেৎনি শুরদুনা হিদিঙ্গা ললোনবা মখুরা অদু হি পুদুনা যাত্রাবু লৌবা লাক্লে। যাত্রানা মখুরাদা ৱারম পূন্নমক শুগাইনা লীরে। অদুদগী মখোয় মরি হি তোংদুনা ময়ূমদা হল্লক্লে। মখুরানা মতৈমা লুখ্রাবী কৌথোক্তুনা মমৌ অনী শিন্নরে। মেনুলৈমগী তম্ফা খুদোপ অমা পুরকই। তম্ফা খুদোপ য়াইওইবা অদুগী মপালনা মখোয় ময়ামগী লৈনবা ফজরবা য়ূম অমা শাহল্লে। মনাই মশল অচা অথক ময়ামসু পৈহল্লে। তম্ফা খুদোপ য়াইওইবগী মতেংদগী মখোয় অৱাৎ অপা লৈতনা নুংঙাইনা পানখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)

## ষ্টেটকী পাউ

# মপান লৈবাক্কী স্পেসিএলিষ্টশিংনা শরুক য়াগদবা...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোকখিবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্প অসিগী মতাংদা ডা. এল শ্যামকিশোরনা পাউমীশিংদা হায়, কেম্প অসি অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমদি মিজোরামদগী শরুক য়াগনি হায়না পাউ পীরকপা হৌরে। কেম্প অসিগীদমক রেজিষ্ট্রেসনগী থবক থা অসিগী ১৬তগী হৌগনি। কেম্প অসি য়াম্না তাঙনা ফংবা খুদোংচাবা ওইবনা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌরক্লগা স্লোট মাঙহনবসু য়াওই। মরম অদুনা ওফলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবনা হেন্না লূম্না লৌগনি হায়খি।

রেজিষ্ট্রেসন তৌখ্রবা পেসেন্টশিং অদুবু লেম্না ইকো কার্দিওগ্রাফি লৌদুনা মখোয়গী হার্টকী খোঙজেল চ্যেক তৌগনি। ইকো কার্দিওগ্রাফিশিংগী ভিজুএল রেকোর্দিংসু লৌদুনা শরুক য়ারগদৌরিবা স্পেসিএলিষ্ট ১৫গা কূপ্না য়েংশিনমিন্নরগা কা হেন্না শোকচিনবা পেসেন্টশিং অমুক খনগৎকনি হায়খি।

পোকপদা হার্ট দিফেক্ট ওইরক্লবা অঙাংশিং ঙল্লিঙৈদা লায়েংহৌদুনা মখোয়গী থৱায় কনমিন্নসি। হার্টতা অশোয় অঙাম য়াওরকপা হায়বসি অঙাংশিংগীদি হায়দোকপা হৈত্রিবনা মমা মপানা কূপ্না য়েংশিনবীগদবনি। অঙাংশিংনা সিম্পটমশিং উৎলকপদা ঙাইরিঙৈদা হোস্পিটালদা ডাক্টরশিংগা তান্নবা লাকপসু য়াওই। অদুবু হার্টকী মশক মওং কা হেন্না শোকচিল্লবা মতমদতা হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা কনবা ৱাবগী ফীভমসু থেংনৈ। মরম অসিনা হার্ট দিফেক্ট লৈবগী সিম্পটমশিং থেংনরবদি অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ডাক্টরশিংগা তান্নবীয়ু হায়খি।

পাঙথোক্কদৌরিবা কেম্প অসিনা মীয়ামদা চাওনা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি হায়রদুনা কা হেন্না শোত্থবদগী লায়েংবা ঙম্লোইদবা ইমুং মনুংগী পেসেন্টশিংদসু হেন্না প্রাইওরিটি পীগনি। মরম অসিনা কেম্প অসিদা য়ারিবমখৈ পেসেন্ট পূন্নমক কোনশিন্নবা হোৎনরি। অনৌবা খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নদুনা কেম্প অসি পাঙথোক্কদবনি। মীয়াম্না মসিগী তাঙলবা খুদোংচাবা অসি লৌহৌনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

ভর্চ্যুএল মোদতা শরুক য়াখিবা ডা. ৱিল্লিয়ম নোভিকনা কেম্প অসিগীদমক লৈবাক কয়াদগী মমিং লৈরবা স্পেসিএলিষ্ট ১৪না শাবা টিম অমা ইম্ফালদা লাক্কনি। মহাক্না লৈবাক ৩৬কী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসন ৫৫ হেনবগী পেসেন্ট ৯৯৬৫ মায় পাক্লা সর্জরি পাঙথোকখ্রে। পোকপদগী হার্টকী অনাবগা লোয়ননা পোক্লক্লবা চহী ২গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংবু সর্জরি তৌবা হায়বসি অরাইবা নত্তে। অদুবু কিলোগ্রাম ১.৮ খক্তা লূম্বা অঙাং ফাওবা সর্জরি তৌদুনা হৌজিক চহী ৯ শুরবা ফাওবদা মশা ফনা লৈবা ঙম্বা য়াওই হায়খি।

কেম্প অসিদা শরুক য়ানবগীদমক লাক্কদৌরিবা টিম অসিনা নোংমদা পেসেন্ট ৩ মুক্কী চাংদা ওপরেসন পাঙথোক্তুনা মখোয়গী খোঙচৎ মনুংদা য়ামদ্রবদা পেসেন্ট ২৫ মুক সর্জরি তৌবগী পান্দম থল্লি হায়খি। হন্দক্কী ইম্ফাল খোঙচৎ অসি থারগা লৈবাক অসিদা লাকপা মঙারকশুবনি হায়রদুনা টিম অসি লাকপগী খুদোংচাবা লৌবীদুনা পীক্লিবা অঙাংশিংগী থৱায় কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমীন্নসি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্কা মরী লৈনদে।